# সুস্মা স্বরাজনা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নখ্রে প্রোজেক্টশিং খূমাং চাউশিনবগী মতাংদা হন্না য়েঙশিনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ঃ***

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘে ঙসি উন্নখ্রে অমসুং ইথৎ লৈবাক অদুদা ইন্দিয়ানা তেঙবাংদুনা পায়খৎলিবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংগী খোঙজেল কমদৌরিবগে হায়বদুগী মতাংদা হন্না য়েঙশিমিন্নখ্রে।

সুস্মা স্বরাজ অমসুং ৱিক্রেমেসিংঘে না লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরিশিং হেন্না ফগৎহন্নবা করি তৌবা য়াবগে হায়বগী হীরমদসু খন্নখি।

শ্রীলঙ্কাগী প্রাইমমিনিষ্টর অসি লল্লোল ইতিক, শেনথাদবা অমসুং মেরিটাইম সিক্যুরিটি য়াওনা অতৈ হীরম কয়ামুক্তা লৈনরিবা লৈবাক অনীগী মরি হেন্না ফগৎনবা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা শগোলশেল নুমিৎতা ইন্দিয়াদা থুংলখিবনি। ঐখোয়গী চান্নরবা মরুপ অমগা তৌনরিবা ঐখোয়গী পার্টনর্সিপ অমুক্তা হেন্না চেৎশিহন্নবা মখা তাবা ফিরেপ লৌদুনা সুস্মা স্বরাজনা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর উন্নদুনা ৱারী শানখি হায়না লূচিংবা অনীদু উনখিবা মতূং এক্সটর্নেল এফয়ারস মিনিষ্ট্রগী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা হায়খি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগা উন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা ঙসি হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু লৈবাক অসিদা লাক্লিবা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিবু হৌনবী মতূং ইন্না উন্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘে উন্নদুনা রাজনাথ সিংহনা ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা টেরোরিজম থেঙনবদা তেঙবাংনবা অমসুং সেক্যুরিটিগা মরি লৈনবা হীরমশিং খন্নখি।

মীনিত ৩০ রোম উনবা অদুদা লৈবাক অনীগী লৈনরিবা মরি হেন্না কনখৎহন্নবগী মরমদা লূচিংবা অনীনা ৱারী শানখি।

শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন এল টি টি ই বু স্পোন্সর তৌখিবা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মতাং নীংশিংলদুনা এন্টি–টেরর মতাংদা খন্নখিবা অদু য়াম্না মহৈ ফংবা অমনি হায়না রাজনাথ সিংহগা লোয়ননা কোন্না ফোঙদোকখি।

# য়ু এস চিনা অমসুং অতৈনা থাজদবা এয়ার এনকাউন্টরশিংগী মতাংদা চাউরাকপা য়ানবা অমা পুরকখ্রে

***শিঙ্গাপুর ওক্টোবর ২০ঃ***

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চিনা য়াওনা লৈবাক কয়া মরক্না মখোয়গী মীলিটরি এয়ার ক্রাফশিংগী মরক্তা থাজরুবা তৌদবা এনকাউন্টরশিং থোকপা মতমদা চঙ্খগদবা থবক থৌওংশিংগী গাইদলাইন্স চাউরাকপা য়ানবা অমা পুরকখ্রে।

হাননা য়ানরোল অসিদা য়াওরবা খা নোংপোক এসিয়া লৈবাক ১০দা অনৌবা লৈবাকশিং অসি য়াওশিল্লকপনি।

শিঙ্গাপোরদা লৈবাক ১৮ দগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমগী মতুংদা থোকপা অপূনবা ৱারোল অদুগী মতূং ইন্না, এসোসিয়েসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (এ এস ই এ এন) না ইরাই নুমিৎতা হাননা য়ান্নখ্রবা য়ানরোল অদুদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমিজ অনী, লোয়ননা অষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়া, জপান, ন্যু জিলেন্দ, রসিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়াওরকখি।

হন্দক চহি খরসিদা রিজনসিগী মেরিটাইম অমসুং এয়ার ট্রাফিক চাউখৎলকখিবগী মতূং খুদোংথিবা য়াবশিং থোহন্দনবগী পান্দমদা হৌখিবা চহিদা লৈবাক ১৮ অসি লোয়নমক্না লৌখিবা য়ানরোল, সমুদ্রদা থোকপা এনকাউন্টরশিংগী মতাংদা চঙ্খগদবা হৌজিক লৈরিবা কোর্ট অমগী য়ূমফমদা ঙসিগী য়ানবা অদু পুরকখিবনি। মসি ভলনটরি অমসুং নন–বাইন্দিং ওইবা গাইদলাইন্সনি।

মীফম অদুগী য়ূম্বু ওইরিবা শিঙ্গাপোর দিফেন্স মিনিষ্টর এনজি এঙ হেন না মীফম অদুগী তূংদা চাউরাকপা পাউদম অমদা হায়খি, করিগুম্বা মশা হকথেঙনবা থৌদোক অমা থোরকপা তারবদি মদুনা শান্নবা অদুগী মমিংদা অহোংবা লাকহল্লি। ঐখোয়না লাকশিনবা ঙমদবা থৌওং কয়ামরুম মদুনা থোকহল্লি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খংই।

লৈবাক নাকন অনীগী ওইবা থাক্তা অসিগুম্বা থবক থৌরাংশিং অসি হান্না লৈরবসু হন্দক্কী অনৌবা এয়ার কোদ অসি মখল অসিগীদা ইহান হানবা লৈবাক ময়ামগী ওইবা দিল অমনি। খুদম ওইনা ২০১৫ দা য়ু এস অমসুং চিনানা এয়ার টু এয়ার এনকাউন্টশিংগী মতাংদা মিলিটরি হোটলাইন অমা অমসুং রুলশিংগী মতাংদা য়ানরোল অমা শহি তৌনখি।



# ৱ্লাদিমির পুটিননা ট্রেন এক্সিদেন্টকী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ঃ***

পঞ্জাবকী অম্রিটসর মনাক্তা ঙরাং মীওই ৬১ শিখিবা ট্রেন এক্সেদেন্ট অদুগী মতাংদা রসিয়াগী প্রসিন্দেট ৱ্লাদিমির পুটিননা ঙসি ইন্দিয়াদা অৱাবা ফোঙদোক্লক্লি হায়না ন্যু দিল্লিদা লৈবা রসিয়া এম্বেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ান এম্বেসিগী মতূং ইন্না ৱ্লাদিমির পুটিননা ট্রেন এক্সিদেন্টদুগী মতাংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অৱাবা ফোঙদোরকখি হায়রি।

# প্রসিদেন্টনা পিস কনফরেন্স হৌদোক্কনি

***নশিক, ওক্টোবর ২০ঃ***

প্রসিদেন্ট নাম নাথ কোবিন্দনা মহারাষ্ট্রগী নাসিক দিষ্ট্রিক্টকী ‘মাংগী তুঙ্গী’দা ওক্তোবর ২২ বিস্ব শান্তি অহিমসা শম্মেলন (পিস কনফরেন্স) হৌদোক্কনি।

থৌরম অদুদা মহারাষ্ট্র গভর্ণর সি বিদ্যাশাগর রাও অমসুং চিফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসনচীংবা শরুক্লাইরবা কয়ানা শরুক য়াগনি।

ভগবান রিসবদেব মুর্ত্তি নিরমান সমিটিনা শিনবা কনফরেন্স অদু হৌদোক্লবা তুংদা প্রসিন্দেট কোবিননা উত্তর প্রদেসকী মোরাদবাদতা লৈবা তীরথাঙ্কর মহাবীর য়ুনিভর্সিটিদা অহানবা ইন্টরনেসনেল ‘ভগবান রীসবদেব এৱার্দ খুশিন্নগনি হায়না শম্মিতিগী প্রসিদেন্ট না হায়খি।

এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লাক্ষ ১১ য়াওরি। মসি য়ুনিভর্সিটি অদুগী ভাইস চাঞ্চেলর সুরেস জেনদা পীগনি।

# রেদ ফোর্টতা অজাদ হিন্দ ফৌজগী থৌরমদা ফিরাল চীংখৎপদা প্রাইম মিনিষ্ট মোদি য়াওগনি



*লৈবাক অসিগী অহানবা ইন্দিপেন্দন্ট গভর্ণমেন্ট শেমখিবা সুভাস চন্দ্র বোস*

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ঃ***

সুভাস চন্দ্র বোসনা লূচিংবা অজাদ হিন্দ গভর্ণমেন্ট অদুগী ৭৫ শুরবা চহিগী থৌরম হয়েঙ নোংমাইজিং নুমিৎতা রেদ ফোর্টতা ফিরাল চীংখৎপগী থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

চৎনরকপা ওইনা ইন্দিপেন্দস দে, অগষ্ট ১৫ দা ইতিহাসিক ওইরবা রেদ ফোর্টতা প্রাইম মিনিষ্টরনা মচু অহুমগী জাতিগী ফিরাল অদু চীংখৎনৈ।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভিদিও কনফরেনসিংদা বি জে পি ৱাকরশিং ৱারী শান্নবদা থৌরম অদু য়াওনবা মহাক্কী থৌরাং প্রাইম মিনিষ্ট মোদিনা লাওথোকখিবনি।

লৈবাকসিগীদমক থবক তৌখিবা মীওই খুদিংমকপু পার্টিগী খেৎনবা থমদনা বি জে পিনা ইকাই খুম্নে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

মখোয়গী চহিগী দিকেদ কয়াগী লৈঙাক্তা কংগ্রেসনা মীরাইবীরমখিবা অচৌবা মীওই কয়ানা লৈবাক্কীদমক তৌরম্বা থবকশিং অদু নীংশিংদুনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা থৌরম পাংথোকই হায়না মহাক্না হায়খি।

ভিম রাও অম্বেদকর, সুভাস চন্দ্র বোস অমসুং সর্দার বল্লভভাই পতেল গুম্বা লূচিংবশিংবু কংগ্রেসনা করিসু থৌসাদনা ইহ্মোক্তুনা থমখি। অদুবু বি জে পিনা লৈবাক অসিবু শেমগৎপদা অচৌবা থবক কয়া তৌখিবা মীওই খূদিংমক নীংশিংগদবনি হায়বসিদা থাজৈ হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

মমিং লৈরবা ত্রাইবেল লূচিংবশিংগী ম্যুজিয়মশিং শাবা অমসুং দলিটশিংগী লূচিংবা বি আর অম্বেদকর গা মরিলৈনবা মফম ৫ শেমগৎপা য়াওনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী থবকশিং অদু পনখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা অজাদ হিন্দ ফৌজদা কখোকপা ম্যুজিয়ম অমগী ফাউন্দেসন ষ্টোনসু য়ুংগনি।

কুমজা ১৯৪৩ গী ওক্তোবর ২১ দা সুবাস চন্দ্র বোসনা লৈবাক সিগী অহানবা ইন্দিপেন্দেন্ট গভর্ণমেন্ট শেমলে লাওথোকখিবনি।

# কাবুল পোলিং সেন্টরশিংদা পোকখাইখ্রে

***কাবুল ওক্টোবর ২০ঃ***



তালিবান লালহৌবনা বোইকোট তৌ হায়না ভোটরশিংদা ৱানিং পীখিবগী পূং খরগী তূংদা অফগানিষ্টানগী কাবুলদা পোলিং সেন্টরশিংদা পোখাইবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে। অমসুং মী ময়াম অমা শোকপা নৎত্রগা শিবা য়াওরম্বা য়াই হায়রি।

ভোট থাদনবা ভোটরশিংনা মতম কুইনা ঙায়দুনা লৈরকপদা শাউনরকখিবগী তাঞ্জাদা পোখাইবগী থৌদোকশিং অদু থোকখিবনি।

ইটলিয়ান এন জি ও ইমর্জেন্সিনা চলাইবা ট্রোমা হোস্পিটাল অমদা অশিবা অঙাং অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ পুখৎলকখি হায়না এন জি ও অদুনা হায়খি।

চহি ৩ হেন্না মতম থেঙথরক্লবা অফগানিষ্টানগী পালিয়ামেন্টরি ইলেক্সন অসিগীদমক থৌরাং তৌরকখিবদা মীওই চা কয়া শিবা নৎত্রগা শোকপগা লোয়ননা হীংশাগী থৌদোকশিং থোকহনখ্রে।

ভোট থাদবগী থৌরম পায়গদৌরিবা ওজাশিং মতম চানা লাক্তবনা পোলিং সেন্টর অয়াম্বা মতম থেঙনা হাংখি ভোটরশিংনা য়াম্না শাংনা পরেং লেপ্পুনা ঙাইবদা মখোয় বোম্বর অমনা নৎত্রগা পোখাইবগী থৌদোক অমদা শোকদ্রা হায়বগী কীনখি।

হন্দক শগোলশেল নুমিৎমক্তদা খা থংবা প্রোভিন্স কান্দহারদা চেকশিন্না ঙাকশেল্লবা কম্পাউন্দ অমদা লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী শক্তি লৈরবশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা পুলিস চিফ অমা হাৎখিবদুনা পোলিং ষ্টেটসনশিংবু ঙাক্লবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী শক্তিদা থাজবা লৈরম্বদু মাংহনখি।

কাবুলদতা নৎতনা অতৈ প্রোভিন্সশিংদা পোলিং ষ্টেসনশিংগী মনাক্তা বোম পোখাইবগী থৌদোক কয়ামরুমগী পাউ ফংখি।

কান্দহারদা কুন্দুরদা হীংশা থোকখি অৱাং থংবা সিটি কুন্দুরদা ঙসি রোকেট অহুম কাপশিল্লকখি।

অদুবু কাবুলদা মহাক্কী ভোট থাদরুরবা তুংদা প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘনি না মখোয়গী ভোট থাদবগী হক পাংথোক্লুবা নহা–অহল, নুপা অমসুং নুপীশিং অফগান খুদিংমক্তা অপিল তৌখি।



| GAS TODAY | |
|---|---|
| **Maibia Gas Moirang** | |
| Booking | : 25/07/18 |
| Stk | : 0900 |
| Valid | : 23/07/18 |
| Sl. No. | : 0431 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m |
| **Canchi Service Indane** | |
| **Rs. 998.50** | |
| Booking | : 07/08/18 |
| Valid | : 01/08/18 |
| Stk | : 306, 5 kg Available |
| Time | : 08.00 to 10.00 a.m |
| **J Rongmei Wangoi** | |
| Booking | : 30/07/18 |
| Valid | : 28/07/18 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 06.30 to 09.30 a.m |
| **Athokpum Indane** | |
| Booking | : 07/08/18 |
| Valid | : 22/07/18 |
| Stk | : CTC 612 |
| Time | : 06.00 to 10.00 a.m |
| **Khoriphaba Nambol** | |
| Booking | : 14/08/18 |
| Valid | : 11/08/18 |
| Sl. No. | : 3686 upto 3990 |
| Time | : 06.30 to 09.00 a.m |
| **R. B. D. Gas** | |
| Booking | : 09/07/18 |
| Valid | : 03/07/18 |
| Stk | : CTC 612 |
| Time | : 06.30 to 09.00 a.m |

সনা–সুদোকু –১৩১২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 5 | 1 | 3 |
| 8 | 7 | 3 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 7 | 5 | 4 | 9 | 8 | 3 | 6 |
| 4 | 9 | 8 | 3 | 6 | 1 | 2 | 7 | 5 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 4 |
| 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 9 | 8 | 2 | 1 | 5 | 6 | 3 | 4 | 7 |
| 7 | 1 | 6 | 8 | 3 | 4 | 9 | 5 | 2 |

# জে–কেগী লোকেল পোলশিংদা বি জে পিনা লদাখতা মায়থিখ্রে জম্মু অমসুং সাউথ কাস্মিরদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাকখ্রে

***শ্রীনগর, ওক্টোবর ২০ঃ***

থা অসিগী অঙনবদা পাংথোক্লিবা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অরবান লোকেল বোদি ইলেক্সনশিংদা বি জে পিনা লদাখ রিজনদা সুপ্নগী সিট অমফাওবা ফংবা ঙমদনা মায়থিখ্রে, অদুবু জম্মু অমসুং সাউথ কাস্মিরদা পার্টি অসিনা চাউনা মায় পাকখ্রে।

লদাখ রিজনগী অপূনবা ৱার্দ ২৬ কী মনূংদা কংগ্রেসনা লেহ ম্যুনিসিপাল কমিটিগী সিট ১৩ অদু লোয়নমক ফংখ্রে। থংনবা কারগীলগী দিষ্ট্রিক্টকী ৱার্দ ৫ সু ফংখ্রে হায়না শ্রীনগরদা ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লদাক লোকসভা কনষ্টিট্যুয়েনসি বি জে পিগী থুপসতান সেৱাং না এম পি ওইনা কারিবনি অদুবু ২০১৪ দা পাংথোকপা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা কংগ্রেসনা লৈরিবা এসেমব্লি সিদ ৪ মনূংদা ৩ ফংখি।

সাউথ কাস্মিরগী দিষ্ট্রিক্ট ৪ দা অরবান লোকেল বোদি ইলেক্সন্দা অপূনবা ৱার্দ ১৩২ গী মনূংদা বি জে পিনা ৫১ ফংখ্রে।

অনন্তনাগ, কুলগাম, পুলৱামা অমসুং সেপিয়ান হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৪ গী সিভিক বোদি ২০ গী মনূংদা বি জে পি না য়ামদ্রবদা ৪ পায়রগনি।

ৱার্দ ৯৪ গী ফল লাওথোকপদা সাউথ কাস্মিরগী সিট ২৮ কংগ্রেসনা ফঙখ্রে। য়ামদ্রবদা ম্যুনিসিপাল বোদি ৩ পার্টি অসিনা পায়খ্রগনি।

বি জে পি নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা ট্যুটরদা থাগৎলকপা চার্ট অমদা মহাক্কী পার্টিনা জম্মু রিজনদা ৱার্দ ৫২০ গী মনূংদা চহি ২১২ ফংবা উৎলি। মদুদা কংগ্রেসনা ৱার্দ ১১০ ফংই। ইন্দিপেন্দন্ট কেদিদেট শিংনা ৱার্দ ১৮৫ অমসুং জে এন কে নেসনেল পান্থরস পার্টিনা ১৩ ফংখি।

# কিমি ২০০ তেনশিন্নবা কিমি ২০ শাংবা অসাম থোং শাগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০ঃ***

ইন্দিয়াগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না শাংবা থোং অদু অসামগী ধুব্রিগা মেঘলয়াগী ফুলবারিগা শমজিন্নহন্দুনা ব্রহ্মাপুত্র তুরেলগী মথক্তা শারগনি। থোং অসিনা লম্বী চৎপদা কিলোমীতর ২০৩ গী অশাংবা তেনশিহল্লগনি। মসিদা নৎতনা চৎপগী মতমসু অঙকপা ফংনা হহুহল্লগনি।

কিলোমিটর ১৯.৩ শাংবা লেন মরী গী থোং অসি ২০২৬–২৭ ফাওবগী মনূংদা শাগনি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

থোং অসি শাবদা অরুবা ওইগদৌরিবা অদুগী খল্লগা গভর্ণমেন্টকী হায়ৱেশিংগী থবক পুরিবা নেসনেল হায়ৱেজ অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ হন্দক্তা ফ্রান্সতা লৈবা অচৌবা কম্পেনিশিংগা পাউ ফাওনখ্রে।

থোং অসি লৈত্রিঙৈ মতম, হৌজিক হৌজিক্তি গারী শিংনা নারনায়ন থোং শিজিন্নদুনা কিলোমিটর ২০০ হেনবগী লমশাং অমা চৎলি।

অনৌবা থোং অসিনা অসামদগী নেসনেল হায়ৱে ১২৭–বি গা মেঘালয়াগা শমনদ্রিবা অদু তেনশিহল্লগনি। হৌজিক হৌজিক্তি ধুব্রিগা ফুলবারিগা অনীগী মরক্তা অপীকপা হীশিংনা শন্নরি। হীশিং অসিনা তুরেল অদু ৱাংমা লানবদা পূং ২.৩০ রোম চংই।

হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা তুরেলগী মথক্তা শাবা খ্বাইদগী শাংবা থোং অসি হৌখিবা চহিদা হাংদোকখিবা কিলোমিতর ৯.১৫ শাংবা ধোলা–সদিয়া থোংনি।

হৌজিক অশা তৌরিবা থোং অসি শাবা লোইদুনা লানথোক–লানশিন তৌবা হৌরবা মতূংদগীদি মফম অসিদা লৈরিবা ব্রহ্মপুত্রা তুরেল লানবদা সুপ্নগী মিনিৎ ১৫–২০ চংগনি।

চৎলিবা শেন্বা চহি অসিগী মনূংদা থাবক অসিগী টেন্দরশিং ফোঙলগনি।

অচৌবা প্রোজেক্ট অসিগী ইকোনোমিক্কী কান্নবা অদু য়েঙশিল্লবা তুংদা জপানগী ফন্দিং এজেনসি জে আই সি এ না অৱাং নোংপোক্তা রোদ ইনফ্রষ্ট্রকচর ইমপ্রুফমেন্ট পেকেজগী শরুক অমা ওইনা প্রদক অসিগীদমক লোন পীবা য়াখ্রবনি।

থোং অসিনা অসামদা ৱেষ্টরেঙ্গল লোমদগী চৎথোক–চৎশিন তৌবসু হেনগৎল্লগনি।

ব্রহ্মাপুত্র তুরেলগী মথক্তা থোং অমা শাবা হায়বসি মদুগী থবক অদু চহি অমগী মনূংদা থা ৬ খক্তমক থবক শুবা য়াবনা মতম য়াম্না শাংনা চংই হায়না নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট কোপরেসন লিমিটেকী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

# চাইনিজ এয়ারক্রাফকী ঈশিংদা পায়খৎপা অমসুং তারকপগী অহানবা চাংয়েং মায়পাকখ্রে



***বৈজিং ওক্টোবর ২০ঃ***

বৈজিংনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবনি হায়রিবা মখোয় মশানা শাজবা এমফিবিএস এয়ার ক্রাফ এ জি –৬০০ অদু ঙসি থাংজ নুমিৎতা ঈশিংদা মায় পাক্লা অহানবা পায়খৎপা অমসুং তারকপগী চাংয়েং পাংথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা মপূং ওইবা এরোপ্লেন শাবা অচৌবা কম্পেনি এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রি কোপরেসন ওফ চিনানা দিভলপ তৌবা অমসুং শাবা সিপ্লেন অদুনা ঙসি অয়ুক পূং ৮.৫১ তাবদা হুবৈ প্রোভিন্সকী জিংমেনদা লৈবা ঝাংহে রিজাভরদগী পায়খৎখ্রে। অদুগা মিনিৎ ১৫ রোম নোংথক্তা পায়দুনা লৈখি হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা হায়খি।

এয়ার ক্রাফ অদু ক্রু মেম্বর ৪না পাইলোট ওইখিবনি। কোদনেমদা কুংলোঙ কৌবা, এজি ৬০০ অসি দিসেম্বর ২০১৭ দা ঝু হায়দা অহানবা চাংয়েঙখ্রে।

এয়ার ক্রাফ অসি ফাইটর ৱাই–২০ অমসুং পেসেঞ্জর এয়ার ক্রাফ সি ৯১৯ গী মথঙদা চিনগী অচৌবা এয়ার ক্রাফ ফেমিলিগী মনূংদা অহুম শুবা মেম্বরনি।

এমফিবিয়েস এয়ারক্রাফ্ট অসি দিভলপ তৌবা অমসুং শাবগীদমক চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা হরাউ–নুংঙাই ফোঙদোকপা ৱারোল অমা থারকখ্রে। এয়ারক্রাফ অসি মায় পাক্লা পায়খৎপা অমসুং তারকখিবা অদুনা চিনাগী এভিএসন ইন্দষ্ট্রিগী অতোপ্পা শিংথাবা য়াবা থবক অমা ওইরে হায়খি।

# য়োংশিংনা নুপা অমা নুঙনা থোমদুনা হাৎখ্রে

***মীরুত, ওক্টোবর ২০ঃ***

উতর প্রদেসকী ভগপতকী তিক্রি খূন্দা শীং থিবা চৎখিবা মশাগী চহি ৭২ শুরবা মীওই অমা য়োং শঙ্গু অমনা নূঙনা থোমদুনা হাৎখ্রে।

অহল অসিনা অকংবা উশিং খোমজিন্দুনা লৈরিঙৈদা অনকপা কিন্থরবা বিল্ডিং অমদগী চেকশিং পায়দুনা উপাম্বী অমগী মথক্তগী য়োংশিং অদুনা থোল্লকখিবনি মদুদা মীওই অসিগী মকোক অমসুং মথবাক্তা শোকখি। হোস্পিটালদা পুখৎলবা তুংদা শিখি।

পুলিসকী মতূং ইন্না তাঙনা থোকপা লায়বক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং ধরমপাল সিংহ কৌই হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী ইমুং মনূংগী মীওইশিংনা পুলিসতা হৌনবী মতুং ইন্না ৱাকৎ অমা থাংগৎলকখ্রে অমসুং কেস অদুদা য়েংশিং অদুবু মরাললৈবশিং অদুনি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক ৱাথোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা তৌফম খংদবা অমা মায়োক্লখি। অমসুং থৌদোক অদু এক্সিদেন্ট অমা ওইনা পুলিস দাইরিদা ইরগা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখি।

অদুম ওইনমক পুলিসকী থবক অদুদা ইমুং অদুনা য়ানীংখিদে অমসুং মখোয়না অৱাংবা থাক্তা লৈবা ওথোরিটিজদা হৌজিক ৱাকৎ থাঙ্গৎখ্রে।

লৈখিদ্রবা অহল অসিগী মনাউনুপা কৃষ্ণপাল সিংহগী মতূং ইন্না ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা য়োংশিং অদুনা ধরমপালদা চেকতুম ২০ হেনবনা থারকখি। মহাক মকোক, মথাবাক অমসুং খোঙশিংদা পানখি। চেকশিং অদু চপ চাবা অৱাংবা অমদগী থারকপা ওইবনা শিনবগী মতিক চানা শাফু কল্লি।

দোঘৎ পুলিস ষ্টেটনগী ষ্টেসন ওফিসার চিৎতুৱান সিংহনা য়োংশিংগী মথক্তা ঐখোয়না করিগী কেস রেজিষ্টর তৌগদৌরিবনো মদুম তৌরবদি ঐখোয়বু মীনা নোকনফম ওইরগনি হায়খি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1313**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | | 2 | 9 | 6 | |
| | | 4 | | | | | | 5 |
| | | 9 | | | | 1 | | |
| | | 6 | | | | | | |
| 4 | | | | 3 | | 6 | 7 | |
| | | 8 | 9 | 5 | | | | |
| 6 | | | 3 | 9 | 7 | | | |
| | | 3 | | 1 | | 4 | | |
| 8 | | | | 2 | | | | 9 |